# পব্লিক ইনফোর্মেশন অমসুং

# এন:এ: মেম্বর

এন:এ: গী পাউজেল পুবা হায়বসিনা ঐখোয় মেম্বর কয়াগী ফগৎলকপদা মরু ওইবা শরুক অমা ওইরগা লাক্কি অমসুং মসিনা ঐখোয়গী তৌবা ঙম্বশিং অমুক নৌহৌননা মশক খঙদোকপদা অমদি চাওখৎহনবদা মতেং ওইখি। এন:এ: গী ফগৎলকপগী পাউজেল অসি নহাক্কি শৌগৎপা অদুগা লোয়ননা মীওই কয়ামুক্তা য়ৌহনবা ঙমগনি। পি:আই: কমিটিদা শরুক য়াবনা অতোপ্পশিংগী পুন্সিদা অফবা অহোংবা অমা পুরক্নবগী খুদোংচাবা অমা নঙোন্দা ফংগনি।

## পব্লিক ইনফোর্মেশন হায়রিবসি করিবুনো ?

পি:আই: কমিটিগী থৌদাংদি এন:এ: গী চপচাবা অমসুং অশেংবা ঈ-পাউ অদু মীয়ামদা ফংহনবনি। ঐখোয়গী ফেল্লোশিপ অশিগী ঈ-পাউ খঙনিংবগী চাং অসি হান্নদগী হেন্না য়াম্না হেনগৎলক্লে। হৌজিক হৌজিক ৱাদুনা লৈরিবা এদিকশিংবু ঐখোয়গী ফেল্লোশিপ্তা পুরক্লিবা কমিটি অমগী শরুক অমা ওইবা হায়বসি শুপ্লগী হকথেংনরুবা নত্তনা, ফোংদোকপা ঙমদবা অৱামল অমনি।

## এন:এ: মেম্বরগী দায়িত্ব করিনো ?

ঐখোয়না মীয়ামদা ঐখোয় ইশাগী শক্তমসি এন:এ: মেম্বর ওইনা শকতাকপা মতমদা ঐখোয়গী লমচৎ-শাজৎকী দায়িত্ব অসি লৌফম থোকই। মসি মীয়ামদা পীবা ঈ-পাউ মখল অমনি। ঐখোয়গী প্রোগ্রামসিবু চপ-চানা খঙদ্রিবা মখোয়শিংদুদদি ঐখোয়সি এন:এ: গী মীহুৎ ওইনা উরম্বা য়াই। ঐখোয়গী মীতিংশিং অমদি থৌরমশিং পাংথোক্লিবা মফমশিংবু ঐখোয়না মতৌ করম্না থম্বগে হায়বসি মীয়াম্না এন:এ: অপুম্বদা য়েংলিবা মীৎয়েংগা হকথেংননা মরি লৈনৈ।

করিগুম্বা মতমদা এন:এ: গী মরমদা ঈ-পাউ পীবিয়ু হায়রকপদা পীরুবা অসিসু পব্লিক ইনফোর্মেশনগী সেবা মখল অমনি। করিগুম্বা হায়রকপা মতমদা পি:আই: কমিটি মেম্বর অমদা পাউ পীবা মথৌ তাই। কমিটিগী মেম্বর উন্নবা ফংদ্রগদি, কাংলুপকি সেবাগী মহুৎ (জি:এস: আর:) নৎত্রগা এরিয়াগী চিয়ারপার্সন্দা পাউ পীগদবনি। মতৌ অসুম্না ঐখোয়না “হায়রকপা” শিংসি শিন্দোকই মরমদি হায়রকপা খুদিংমক খুদক্তা অমসুং চপ চান্নবা মওংদা মায় ওনশিনবা মথৌ তাই। করিগুম্বা মতমদা নঙোন্দা “হায়রক্লবা”, মদু লন্নাইগী ওইবা ৱাফম নত্তে হায়বসি নিংশিংঙু, তৌইগুম্বসুং মদু নার্কোতিক্স এনোনিমশ অপুম্বগীনি।

## শক -মীং নাইদবগী মরুওইবসি করিবুনো ?

মসি “ঐখোয়” প্রোগ্রামনি, অমসুং পি: আই: দা “ইথন্তা ঙম্লোই, ঐখোয়না ঙমগনি” হায়বা ৱাখল্লোনসি য়াম্না মরু ওই। ঐখোয়গী নুংগী ওইবা য়ুম্ফম শক-মীং নাইদবা হায়বা অসিবু মেম্বরশিংনা চেকশিন্দ্রগদি য়াম্না শাথিনা শোকহল্লকপা য়াই।

ঐখোয়গী অশেংবা মীং পীদবদা নত্তনা মেদিয়াদা নার্কোতিক্স এনোনিমশকি মেম্বর ওইনা শরুক য়াদে। ঐখোয়গী ফগৎলকপগী নুংগী ওইবা প্রোগ্রাম অসিগী শরুক অমা ওইনা “ইথন্তা থাগৎচবা” হায়বা অসি নাথৈরন্নগা নোল্লুকপা মখলগী সেবাদা মায় ওনশিল্লি। ঐখোয়গী হকথেংনরকপশিংদা, এন:এ: দা মেম্বর ওইরুবনা মরম ওইরগা “ মেদিয়া স্টার” ওইরকপা মেম্বরশিংনা মখোয়গী ফগৎলকপগী নুংগী ওইবা য়ুম্ফম অদুবু খুদোংথিহনবদা নত্তনা মীয়ামদা এন:এ: গী ফগৎলকপগী মপুংফাদবা পাউজেল শন্দোকখিবা য়াবগী খুদোংথিবদু লৈখি।

## মেম্বরশিংনা করম্না শরুক য়াগনি ?

মেম্বর খুদিংমক্কি মফম পব্লিক ইনফোর্মেশন কমিটিদা লৈ। নহাক্কি হাপচিল্লকপা, মোৎ, কান্নবা পীবা অমসুং শরুক য়াবা অদুবু পি:আই: না মমল লৈনা লৌবতা নত্তনা মথৌসু তাই। ঐখোয়না নহাকপু পি:আই: কমিটিগী মীতিংদা লাকপীয়ু হায়না নোল্লুকচরি। সার্ভিস কমিটি অয়াম্বগুম পি:আই: না মতম পুম্নমক্তা সেবা তৌনিংবা মীওই মথৌ তাই।

## করম্না থবক পাংথোক্কনি ?

কাংলুপশিংনা তত্তনা এরিয়া সার্ভিস কমিটি (এ: এস: সি:) শেম্নবা পুনর্শিন্নৈ। পব্লিক ইনফোর্মেশন অসিসু এ:এস: সি: গী সব-কমিটি অমনা পীবা সেবানি। পি:আই: না তোঙান-তোঙাম্বা মায়কৈদগী খুদম ওইনা, লন্নাই-মীওই, এজেন্সিশিং অমদি মেদিয়া মীওইশিংদগী লাকপা “হায়জরকপা” শিংদুবু লৌশিল্লি।

ঐখোয়না মীয়ামদা ঈ-পাউ পীবগী লম্বিশিংদুগী মনুং চম্বশিং :

১। ধর্ম্মগা মরি লৈনবা মফমশিং, সংস্থানশিং, স্কুল নৎত্রগা মেদিয়াগী মফমশিংদগী ৱা ঙাংবিয়ু হায়জরকপা অদুদা পাউখুম পীবা।
২। পোস্টর অমসুং ফ্লাইয়র নম্বা, য়েঙ্খোকপা লোয়ননা মীয়াম্না ঐখোয়দা করম্না য়ৌরকপা ঙমগনি হায়বদু মীয়ামদা লাওথোক্তুনা খঙহন্বা।
৩। লরনিং দেজ অমসুং ৱার্কসোপ।
৪। মীতিং দিরেক্টোরি, চিঠি অমসুং চেরোলশিং এদিকশিংগা লোয়নরিবা মীওইশিংদা য়ৌহনবা।
৫। হোস্পিটাল অমসুং ইন্সটিট্যুসন কমিটিগা ৱাৎহৌবা থবক থৌরমশিংগী মরমদা তান্নবা।
৬। ফোন লাইন নৎত্রগা ওফিস কমিটি লৈতবা মফমশিংদা ফোন লাইন অমা চলাইবগী দায়িত্ব অদু পি:আই: কমিটিনা লৌবা য়াই।

হায়রিবশিং অসিগী মনুংদা অমদা শরুক য়ানিংলবদি, জি:এস: আর: নৎত্রগা পি: আই: কমিটি মেম্বর অমগা ৱারি শাও। ঐখোয়না লৈজরিবা অসি পীথোকত্রগদি ঐখোয়না কৈদৌনুংদা থমজিনবা ঙমদে। পব্লিক ইনফোর্মেশন কমিটি সেবানা মসিমক ঐখোয়বু পাঙথোকহল্লি।

Copyright © 1999 by
Narcotics Anonymous World Services, Inc.
হক খুদিংমক অফোঙবগীনি।

World Service Office
PO Box 9999
Van Nuys, CA 91409 USA
Tel. (818) 773-9999
Fax (818) 700-0700
Website: www.na.org

World Service Office–EUROPE
48 Rue de l'Eté
B-1050 Brussels, Belgium
Tel. +32/2/646-6012
Fax +32/2/649-9239

World Service Office–CANADA
150 Britannia Rd. E. Unit 21
Mississauga, Ontario, L4Z 2A4, Canada
Tel. (905) 507-0100
Fax (905) 507-0101

মশি এন:এ: ফেলোশিপনা অয়াবা পীরবা সাহিত্যাদগী হনদোকচবনি।

Narcotics Anonymous, , , , and The NA Way
রেজিস্টার তৌরবা খুদমশিংনি।
Narcotics Anonymous World Services, Incorporated.

ISBN 1-55776-399-2 Manipuri 2/04

WSO Catalog Item No. MP-3115

Narcotics Anonymous®

নার্কোতিক্স এনোনিমশ

IP No.15-MP

# পব্লিক ইনফোর্মেশন
# অমসুং এন:এ: মেম্বর